# অফবা শঙ্গোম করম্না পুথোক্কনি



- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

শঙ্গোম হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না য়াম্না পাম্না চানরি। মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ানা শঙ্গোম পুথোকপদা অহানবা মফমদা লৈরি। অদুবু শঙ্গোম পুথোকপগী মতুংইন্না মী অমনা নোংমদা ৩৭৫ গ্রামদি থকপা পংই। মসিমক ওইরগসু ষ্টেট খুদিংগী মশাগী শঙ্গোম পুথোকপগী মতুংইন্না খেন্নবসু লৈ। ঐখোয়গী লমদমসিদদি চহী অমদা মিলিয়ন টনগী শঙ্গোম পুথোকপা ঙম্মী। অদুবু ইন্দিয়াগী ওইনা ফংফম থোকপা শরুকসি য়ৌগে হায়রগদি চহীদা মিলিয়ন টন ২০০ পুথোকপা মথৌ তাই।

অৱাং নোংপোক লমদদি শঙ্গোম থকপগী হৈনবীসি কয়া লৈবা ৱাৎলি অদুগা ফংলিবা পেকেটকী শঙ্গোম নত্তনা অতৈদি ক্বালিটি হন্থরি। অফবা মোত্তবা শঙ্গোম হায়বসি শুমদোল্লিবা শঙ্গোমদু নীংথিনা শেংদোল্লবা পাত্রদা হাপ্তুনা অতোপ্পা অমোৎ অকায় হায়বদি উফুল, হয়িংনচিংবা অমোৎপা অমত্তা চঙহল্লোইদবনি। মসিগা লোয়ননা বিনধা ওন্দনা কুইনা থম্বা য়াবা পুথোক পুশিন তৌবদা শঙ্গোমগী ক্বালিটি হন্থহন্দনা থম্বা ঙম্বা পাত্র শীজিন্নবীগনি।

**ষণবুশিংনা অফবা মোত্তবা শঙ্গোম পুথোক্কে হায়রগদি মখাগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি ঙাক্না চৎপীগনি :**

- চেকশিন্না হায়জিনিক ওইনা শঙ্গোম শুন্বীগনি।
- ষণবী খুদিংমক খোমদা হৌব্রা নৎত্রগা হৌদব্রা হায়না টেষ্ট তৌথোকপীগনি।
- করিগুম্বা ষণবীদু অনাবা ওইরগদি শঙ্গোমদু শুমদোকপীরগা অতোপ্পা শঙ্গোমগা পুনশিন্নবীদনা তোঙান্না থম্বীগনি অমদি মসি চানবগী ওইনা য়োম্হোকপীরোইদবনি।
- করিগুম্বা ষণবী পূন্না শঙ্গোম শুম্বা তারগদি অনাবা ষণবীদু তোঙান্না থম্বীদুনা কোন্না অরোইবদা শঙ্গোম শুন্বীগনি।
- শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা মখোম/মথা খোমজিন অমদি মশাগী নাকলদা অফবা ঈশিংনা চামথোকপীদুনা অকংবা ফীনা তৈথোকপীগনি।
- করিগুম্বা ষণবীদু য়াম্না লেঙবা ওইরগদি ষণবীগী মমৈদু মখোঙগা পুল্লপ পুনশিনবীগনি।
- অহানবা শুমদোকপা শঙ্গোম খরদু হৈদোকপীগনি।

**শঙ্গোম ফৎহন্দবগী হৌরকফম :**- লায়না চেন্দবা ষণবীদগী পুথোরকপা শঙ্গোমসি অফবনি। মসিদা মহীক অমদি ফত্তবা অমত্তা য়াওদে। অদুবু হায়রিবা শঙ্গোমসি নিংথিনা শুমহৌদ্রগদি মোৎহনবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোমসি ঐখোয়না দাইরি প্লান্টতা পুবা মতমদা হাপ্লিবা পাত্র খুদিংমক নিংথিনা চামথোকপীহৌদ্রবা, শঙ্গোম ঈংহল্লগা থম্বদা অমদি শঙ্গোমসি বেক্টেরিয়া অমদি কোকফাই শুজাগী মশীং হেনগৎনবা খ্বাইদগী অফবা মেদিয়ম অমনি। মসিদা শাবগী চাং ৱাংখৎলগদি শঙ্গোম ফৎলক্তবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিনা অমাঙবা অমা ওইহল্লি। মরমসিনা শঙ্গোমসি ফনা থম্বীগে হায়রগদি মখাগী থৌরাংশিংসি পায়খৎপীগনি।

**ক) শঙ্গোল লূ-নান্না থম্বা :**- শঙ্গোল লূ-নান্না থম্বীদ্রগদি শঙ্গোলদা মহীক কয়া অমা চংলক্তুনা ফৎহন্দবগী মচাক অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না মখাগী চেকশিন থৌরাংশিংসি লৌখৎপীগনি।

১) শঙ্গোলসি মী লৈবা য়ূমদগী খরা লাপ্না থম্বীগনি। মনাক্তা ঈশিং তুংহল্লোইদবনি। ষন্থি নিংথিনা মফম চানা খরা লাপ্না হুন্দোকপীগনি।

২) শঙ্গোল শাবা মতমদা খরা ৱাংখৎপা মফমদা ওইনা শাবীগনি।

৩) য়ারগদি শঙ্গোলগী লৈমায়সি সিমেন্টকী লৈমায় ওইহনবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিনা ঈশিং শীজিন্নদুনা শীৎ শেংবদা য়াম্না লূ-নান্না থম্বা ঙমহল্লি।

৪) শঙ্গোল শেংদোল্লিবা ঈশিং অমদি অমোৎ-অকায়, মথি-ময়ুং খুদিংমক দ্রেনলোমদা নিংথিনা পুদুনা খরা লাপ্না কোম অমদা থাদবীগনি।

৫) মচীঞ্জাক হাপ্লিবা বাগোসসু নিংথিনা শেংদোকপীদুনা লূ-নান্না থম্বীগনি।

৬) শঙ্গোলগী লৈমায়দু চামথোকপা মতমদা ফিনাইল নৎত্রগা পাওদর চাদা ১ হাপ্পীদুনা শেংদোকপীবা য়াই।

**খ) শঙ্গোম থোকপী ষণবী লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপা :** ষণবুশিংনা মাগী ষণ খুদিংমক লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোক্নবা মতম মতমগী টিকা থাদোকপীগনি। মতম খুদিংমক্তা খোমদা হৌব্রা হৌদব্রা হায়না চ্যেক তৌথোকপীগনি। শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙদা খোমশিং নিংথিনা চামথোকপীগনি অমদি শঙ্গোলদা মথি ময়ুং চাইদুনা থম্বীরোইদবনি। শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা তীল চেন্দনবা তীলহাৎ হীদাক থাদোকপীগনি।

**গ) শঙ্গোম শুম্বদা চেকশিন থৌরাং লৌগদবা :** ১) শঙ্গোম শুমগদৌরিবা ষণবীদু লাংহনবীরোইদবনি।

২) চাং নাইনা শঙ্গোম শুন্বীগনি।

৩) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা ষণবীগী মখোমদু/মথাদু নিংথনা চামথোল্লবা মতুংদা অকংবা ফীনা তৈথোল্লগা খোমজিন্দু খরা শুমদোকপীগনি।

৪) ষণবী অমগা ষণবী অমগা শঙ্গোম শুন্বদা শীজিন্নগদবা ফীশিংদু তোঙান তোঙান ওইগদবনি।

৫) ফী অমখক্তা শীজিন্নবা তারগদি দিসইনফেক্টেন্ট হাপ্লগা চামথোল্লবা মতুংদা অমুক হন্না শীজিন্নবীগনি।

৬) শঙ্গোম শুমগদৌরিবা মীওইদু লূ-নান্না অনা-অয়েক য়াওদবা ওইগদবনি। অমোৎপা ফীরোল শেৎপীরোইদবনি। খূৎ-শা নীংথিনা শেংনা সাপোন্না হাল্লবা মতুংদা শঙ্গোম শুন্বীগদবনি।

৭) শঙ্গোম শুম্বা মতমদা অহানবা শুম্বা শঙ্গেম অদু খরা হৈদোল্লগা কোন্না পুল্লপ শুমদোকপীগদবনি। মখোমদা শঙ্গোম লেমহৌনা থম্বীরোইবদনি। অহানবগী শঙ্গোম খরা হৈদোকপগী মরমদি অহানবগী শঙ্গোমসি বেক্টেরিয়াগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিবু শঙ্গোমদা পুনশিনখ্রগদি শঙ্গোমদু ফৎহন্দবগী অচৌবা মচাক অমা ওইরি।

৮) শুল্লিবা শঙ্গোমদু খূৎ লুপশিনবীরোইদবনি। চোৎনা শঙ্গোম শুন্বীরোইদবনি।

৯) শঙ্গোম শুল্লমদাইদা খূৎতা থাও হাপ্লগা শুম্বগী মহুত্তা ঘী ওইনা হাপ্লগা শুম্বনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

১০) খুবীগা খুদোম্বীগদংনা শঙ্গোম শুম্বগী মহুত্তা খূৎ পুল্লপ খোমজিনদু পায়শিল্লগা খুবীনা চিংথবনা হেন্না ফৈ। মসিনা শঙ্গোম লোইনা শুমদোকপা ঙম্বতা নত্তনা খোমদা লৈহৌদে অমদি খোমজিন হেন্না শাংদোকহন্দে।

১১) মনীং থংবা খোমজিন্না হান্না শুমদোল্লবা মতুংদা মমাঙদা অমুক শুন্বীগদবনি। মরমদি শঙ্গোম অয়াম্বা মনীংলোমদা হেন্না লৈ।

১২) শঙ্গোম শুম্বা মতমদা শুল্লিবা মীদুনা লোক খুবা, হাকথি খনবা তৌরোইদবনি অমদি শঙ্গোমদা হুমাং তাহল্লোইদবনি।

১৩) শঙ্গোম শুম্বা লোইরগা নিংথিনা দিসইনফেক্টেন্টনা চামথোকপীগদবনি।

**ঘ) পীজ পীথকপদা চেকশিনবীগদবা :**- ১) অরিবা মচীঞ্জাক এঞ্জাং-নাপি, অরেম-অপা খুদিংমক শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা পীজবীরোইদবনি। মসিনা শঙ্গোমদা অতোপ্পা মনম অমা চেলহল্লি।

২) মচীঞ্জাক্তা খঙহোং হোংলগদি শঙ্গোমগী ফেটসু অহোংবা লাকই। মরমসিনা অফবা মখলগী মচীঞ্জাক পীজবগনি।

অফবা/মোৎতবা শঙ্গোম হায়রগা শুমদোল্লবা শঙ্গোমদু ফীনা চুমথোল্লগা অফবা ওইবা নত্তে। মসি অনা-অয়েক য়াওদবা, মশা-মউ ফবা ষণদগী পীবা শঙ্গোমনি। মসি শেন্নবিরিবা ঐখোয়না নিংথিনা লূ-নান্না শঙ্গোম শুল্লবদি ক্বালিটি লৈনা শঙ্গোম পুথোকপা ঙম্বতা নত্তনা শেন্দোং লৈনা য়োনবসু ঙমগনি। ●

# লৌহোন শেম শাবা

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

ফৌ পাম্বীবু লৌপাক্তা থাদোক্লবগীদমক মরূদগী শেম্বা চারাবু লৌহোন কৌই। অফবা চারাদগী অফবা মপূং মরৈ ফাবা পাম্বীশিং ফংবগুম, অফবা লৌহোন্দগী অফবা মহৈ মরোং চুম্বা ফৌ পাম্বীশিং ফংবা ঙম্মী। লায়না তীলনা চেন্দবা, শাহৌ ফবা, পান্দোং ফজবা লৌহোন্দগী লীংবা ফৌ পাম্বীসিনা হায়বদি অফবা লৌহোন্না থাবা লৌফম্না অতোপ্পা লৌফমদগী চাথোক চাদা ৪-৫গী চাংদা হেন্না ফংবা ঙম্মী। ঐখোয়না পাল্লিবা ফৌথোক্কী চাং অদু য়ৌনবগী অহানবা পাম্বেদি অফবা লৌহোন শেম্বনি। লৌহোন ফত্তনা ঐখোয়না পাল্লিবা পোত্থোক্কী চাং অদু য়ৌনবা অতোপ্পা পাম্বে লৈতে।

লৌহোন অসি তোঙান তোঙানবা ফীভম, মতম, অকোয়বদা ফংলিবা মচাকশিং অমদি পাঙথোক্কদৌরিবা লৌউ কাঙলোন অদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মওংদা হায়বদি কঙ লৌহোন, ঈশিং য়াওনা লৈরবা লৌপাক্তা, দাপোগ লৌহোন, এস আর আইগী লৌহোন, ফক মওংদা শেম্বা মেছিনদা হাপ্লগা লিংগদবা লৌহোন হায়না শেম্বীবা য়াই। অদুবু মীয়াম্না খ্বাইদগী তোয়না শীজিন্নরিবা লৌহোন শেম্বগী মওংদি ঈশিং য়াওনা নৈরবা লৌপাক্তা হুনবা লৌহোন অসিনি। মরম অদুনা অফবা লৌহোন শেম্নবগীদমক তঙাইফদনা পায়খৎকদবা থৌরম পরেংশিং মখাদা পীজরি।

**মরূ খনবা :**- (ক) লৌহোন শেম্নবগীদমক লৌগদৌরিবা মরূ অদু লৌফম অদুগা চানগদবা হায়বদি অকুৎপা/অতোংবদা থাবা য়াবা ওইগদবনি।

(খ) মরূ অদু লায়না তীলনা চেন্দবা, লৈঙাক্কী লৌউ লোয়শঙনা মশক মমিং খঙবা ফৌ ওইগদবনি।

**মরূগী চাং :**- ঐখোয়না মতম লৈবা খিবিক্তা কাউবীরোইদবসি শেল চঙবগী চাং নেম্লগা পোত্থোক্না ৱাংনা ফংনবা হোৎনবা হায়বসিনি। মরম অদুনা খ্বাইদগী য়ামদবা মরূগী চাংনা কয়া ওইবা মতমদা খ্বাইদগী ৱাংবা পোত্থোক পুথোকপা ঙম্বগে হায়বসি খঙবা তঙাইফদে। অহেনবা মরূ লৌরগা অহেনবা চাথোক ফংগদবা লৈত্রবদি অহেনবা মরূ লৌদুনা শেল হেন্না তিংহনবগী মথৌ তাদে। শেল হেন্না তিংদনবা মরূ খজিক্তং লৌবনা মরম ওইরগা চাথোক হন্থহন্নবা মরমসু ওইহল্লোইদবনি।

নীংশিংবীগদবদি অতেনবা মতমগী ফৌ পাম্বীশিংনা অশাংবা মতমগী ফৌ মখলশিংদগী মরূ চঙবগী চাং হেল্লি।

ফৌ মখল অমদি থাবগী কাঙলোন খেন্নবগী মতুংইন্না লৌ পরি অমগী লৌহোন শেম্বদা চঙগদবা মরূ।

| ফৌগী মখল | পাম্বীগী মপূন্সিগী মতম নুমিৎ | লৌ পরি অমদা চঙবা মরূ (কেজি) |
|---|---|---|
| অতেনবা (ঐচ ৱাই ভি) | ১০০-১২০ | ৫০-৬০ |
| ময়ায় ওইবা (ঐচ ৱাই ভি) | ১২০-১৩৫ | ৪০ |
| অশাংবা (ঐচ ৱাই ভি) | ১৪০দগী হেনবা | ৩০-৩৫ |
| হায়ব্রিদ | - | ১৬-২০ |

ঐচ ৱাই ভি - হায় য়েলদিং ভেরাইটিস

সিষ্টম ওফ রাইস ইন্টেন্সিফিকেসন (এস আর আই) হায়বা লৌউ কাঙলোন অদুগী লৌহোন শেম্নবগীদমক্তি মরূ কেজি ৬-৮ ফাওবা চঙগনি।

**মফম খনবা :**- লৌহোন শেমগদৌরিবা মফম অদু চঙথোক-চঙশিনগী খুদোংচাবা মফম ওইবগা লোয়ননা লৈহাও লৈবা মফম ওইগদবনি। অসিগুম্বা মফম অসি ঈশিং শিনবগী পাম্বে লৈবগা লোয়ননা ইরায় লায়না ঈশিং চনশিনবা অমদি ঈশিং চিথোকপা য়াবা মফম ওইগদবনি।

**লৌহোন হুনফমগী পাক চাউবা :**- মশা ফবা লৌ পরি অমদা থাবা কোন্নবা লৌহোন পুথোক্নবগীদমক ৫০০-৮০০ স্কৱার মিটর হায়বদি লৌ লৌশেন অমগী ময়াদগী, লৌশেন খরা কনবগী লম চঙই। মরূ গ্রাম ৫০না মিটর অমা পাকপা, মিটর অমা শাংবা মফমদা চাইবনা খ্বাইদগী হেন্না চানৈ।

**হুন্নবা মরূ শেম শাবা :**- ঐখোয়না ফৌদিগীদমক খল্লবা মরূশিং অসি মীৎনা উবা ঙমদবা লায়না পোকহনবা ঙম্বা মহীক কয়া য়াওরম্বা য়াই। মসিনা ফৌ পাম্বীনা হৌবদা থিন্থহল্লি অমদি লায়নাশিং অদু মরূদগী ফৌ পাম্বীদা শন্দোরকই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা হুন্দ্রিঙৈদা মরূশিং অসিদা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং খরা তঙাইফদনা পায়খৎপীগদবনি। ফৌদি ওইনবা লৌরবা মরূশিং অদু ঈশিং লিটর ১৫গুম্বা চনবা পাত্র অমদা ঈশিং লিটর ১০গুম্বা হাপ্পীরগা ফৌশিং অদু হৈজিনবীদুনা ওৎপীগনি। মদুদা তাওখৎলকপা ফৌহাম অমদি হৈজিৎ-হৈগায় ওইবা মরূশিং মাঙহনখ্রগা মরূ চং-চং লাউবা ফৌশিং অদুতা লৌবীগদবনি।

অসুম্না মরূ চঙবা ফৌ খনবগী মওং অসিদা কনাগুম্বনা য়েরূম তাওবা ঙম্বা থুম হাপ্লবা ঈশিংদা (ঈশিং লিটর ১০দা থুম কেজি অমা) তাওথোকহনবসু তৌনৈ। অদুবু অসুম্না তৌবা মতমদা চঙগদৌরিবা থুম ময়াম অমদি নিংথিনা চামহৌদ্রবদি ফৌশিং অদু পুমগদবা লৈবনা ইচম চম্না ঈশিং ঈচমদা তাওথোকহনবা অসিসু অদুম তৌবা য়াই। অসুম্না মরূ চং-চং লাউরবা মরূশিং অদু পুং ২৪ গুম্বা ঈশিং ঈচমদা তিংবীগনি। অদুগা ঈশিংদগী লৌখৎপীরবা মতুংদা মচুম খকহল্লবা মতুংদা মরূশিং অদু অনানবা লৈমায়দা হৈদোকপীরগা কার্বেনদেজিয়ম ৫০% হায়রিবা হীদাক অসি ফৌ কেজি অমদা গ্রাম ২গী চাংদা লৌবীরগা মরূশিং অদুদা তোৎশিনবীগনি অমদি মরূশিং অদু পুং ২৪-৩৬ ফাওবা ওমদুনা থম্নবা বোরা অমদা হানজিনবীগনি। অসুম্না ওল্লিবা মরূশিংনা শেন্দ্রাং মখয়াৎ শাবা মতমদা নিংথিনা শেম্লবা লৌফমদা হুনবীগনি।

**হুন্নবগী লৌফম শেম্বা :**- নিংথিনা খোইবিরবা লৌফম অদুদা অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়ুরিয়া গ্রাম ২৫, এস এস পি (সুপর) গ্রাম ৫০ অদুগা এম ও পি (পোটাশ) গ্রাম ২৫গী চাংদা মিটর অমা পাকপা অদুগা মিটর অমা শাংবা মফমদা চাইবীবরগা ঈশিং য়াওনা নৈশিনবীগনি।

লৌ পরি অমগী লৌহোন হুনফমদা চাইবীগদবা হারগী চাং (অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈদা লৈমায়দা চাইশিনবীগদবা)

| হার মখল | চাইবীগদবা চাং (কে জি) |
|---|---|
| য়ুরিয়া | ১২.৫-২০ |
| এস এস পি (সুপর) | ২৫-৪০ |
| এম ও পি (পোটাশ) | ১২.৫-২০ |
| এফ ৱাই এম (ষন্থি-ষণয়ুংগী হার) | ১০০০ |

অসুম্না শেম্লবা লৌফম অদু মিটর ১-১.৫ পাকপা সেন্টিমিটর ১০ ৱাংনা চুরি চিংখৎপীগনি অদুগা চুরি অমগা চুরি অমগা সেন্টিমিটর ৬০-৮০ লাওহনগনি। লৌহোন হুন্নবা শেম্বা ফৈদোমশিং অদু চুরি নাইনা চিংখৎপীদ্রবসু মিটর ১-১.৫ পাকপা খুদিংগী খোঙ লম্বী ওইনা সেন্টিমিটর ৩০-৪০গী অরাওবা মফমশিং হাঙহন্দনা থম্বীরগা পরেং নাইনা লৈরিবা ফৈদোমশিং অদুদা ষন্থি-ষণয়ুংগী হার মিটর অমা পাকপা, মিটর অমা শাংবা মফমদা কেজি ১.২৫-২ ফাওবগী চাংদা চাইশিনবীগনি। ষন্থি-ষণয়ুংগী হার ফংদ্রবদি মৈ থাদোল্লবা ৱাইনা লৌহোন হুনগদৌবা মফমদু থুংনা কুপশিনবীগনি। ফৌ হুনখ্রবা মতুং পুং ৩৬-৪৮গী মনুংদা লৌফমদা লৈবা ঈশিংশিং চিথোকপীগনি।

ঈশিং থাদোকখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩-৫ ফাওবগী মনুংদা ফৌগী অৱাংবগী মতুংইন্না পাম্বীশিং অদু থুমজিলহন্দনা ঈশিং চনশিনবীগনি।

**থাদোক্লবগীদমক শেম শাবা :**- ঐখোয়না হুনখ্রিবা ফৌশিং অদু নুমিৎ ১০-১৪নি ফাওবগী মনুংদা সেন্টিমিটর ১০-১২ ফাওবা ৱাংগদবনি। করিগুম্বা হায়রিবা অৱাংবা অসি ফংদ্রবদি য়ুরিয়া ১% (ঈশিং লিটর ১০দা য়ুরিয়া গ্রাম ১০০) শেম্বীরগা কাপথোকপীগদবনি) অসুম্না শেম্বীরবা লৌহোন অদু নুমিৎ ১৮-২৫ ফাওবগী মনুংদা লিংথোক্লবা থৌরাং তৌবীগনি। মতম অসিদা লৌহোন অদু মনা ৪-৬ শোয়দনা পানগনি। লীংথোক্কদবা নুমিৎ ৭-৮নিগী মমাঙদা ভর্টাকো গ্রাম ৬০০ নৎত্রগা Carbofury 3G কেজি ৩ লৌ পরি অমগী লৌহোন হুনফমদা চাইশিনবীগনি। করিগুম্বা লৌহোন ফোইগদবা নুমিৎ ৭নি য়ৌদ্রবদি Cargen 6 ml ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা নৎত্রগা Chloropyriphos 20% 25 ml ঈশিং লিটর ১৫গী চাংদা য়ানবীরগা কাপথোকপীগনি।

মথক্তা পনখ্রিবা কাঙলোনশিং অসিদা শেম্বীরিবা লৌহোনশিং অদুনা য়ারিবমখৈ মশা শোকহন্দনা ফোয়বা অমদি লিংথোকপীদুনা চাথোক লৈবা লৌমী অমা ওইবীয়ু। ●

# কুকুরবিটশিংদা তাগনবা লায়নাশিং

- লোংজম বোরিস -

কুকুরবিটস হায়বা ধারা অসি থবী, খোঙদ্রুম, তোর্বোট, শেবোৎ, মাইরেন হায়রিবা মনা-মশিংশিং অসিনি অমদি মখোয় অসি মরু ওইনা অশাবা মতমদা থাবা পাম্বীশিংনি। পাম্বীশিং অসি চাবদা মচল ওইবা অমদি মীওইবদা কান্নবা ভিটামিন্স, মিনরেলস কয়া য়াওই। কুকুরবিটশিংদা ফঙ্গি, বেক্টেরিয়া, ভাইরসশিংনা লায়না কয়া অমা থোকহল্লি। কুকুরবিটশিংদা তাবা লায়নাশিং অসি লৈবাক লৈহাও, মরূ অমদি নুংশিৎনা শন্দোকপা মতমদা লাকশিনবদা মতম চঙই। লায়নাশিং অসি তাদ্রিঙৈদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনা খ্বাইদগী হেন্না অফবা পাম্বে অমা ওই।

**1. Phythopthora blight (*Phytopthora capsisci*) :** লায়না অসি *Phytopthora capsicii* হায়রিবা কোকফাই শুজা মখল অসিনা থোকহনবা লায়না মখল অমনি। লায়না অসি মাইরেন, চৌ-চৌদা অয়াম্বনা তাগল্লি। লায়না অসিনা পাম্বীগী মনা, মরী অমদি মহৈদা তাই। লায়না অসি পাম্বীনা পীক্লিঙৈদগীনা মপূং মরৈ ফারক্লবা মতম ফাওবা তাই। লায়না অসিনা তারবা পাম্বীশিং মশানা খুইথরকপা, মৈনা চাকথেকপা মানবা অমদি মতম খরগী মতুংদা পাম্বী অদু শিজখি।

**লায়না অসি লাকশিন্নবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং :**



Phytopthora blight (TNAU)

- ঈশিং কা হেন্না তুংদবা মফম অমদি লায়না অসি তাখিবা মফমদা থাবীদবনা হেন্না ফৈ।
- খোঙদ্রুম, তোর্বোট, মাইরেনগী ধারা (কুকুরবিটস) পাম্বীশিং অমদি মোরোক, খামেন অশিনবী (solanaceous) শিং থংননা থাবনসু লায়না অসি তারক্লবগী মরম ওই।

**2. Alternaria Leaf Spot *(Alternaria cucumeria & A. alternate)***

লায়না অসিনা খোঙদ্রুম, তোর্বোট, মাইরেননচিংবশিংদা অমাঙ অতা থোকহল্লি। অঙৈং-অশাগী চাং অসি ১৫°সী-৩২°সী ওইবা মতমদা লায়না অসি তাবগী চাং হেল্লি। পাম্বীগী মনা অরিবা মথক থংবা শরুক্তা লায়না অসি তাবা হৌরকই। দাগশিং অসি মতম খরগী মতুংদা চাউথোরকই অমদি মনাশিং কেনবা অমদি মহৈশিংদা কোইরোক কোইবা দাগ কয়া অমা তাবনচিংবা থোকহল্লি।



Alternaria leaf spot (TNAU)

**লায়না অসি তাদনবা লাকশিনবা য়াবা পাম্বে :**-

- থবী, খোঙদ্রুম, মাইরেন নত্তবা অতোপ্পা পাম্বী খরা তাগনবা মফমদা লৌরোক ২/৩ থাবীবা অমদি অফবা মরূ শীজিন্নবা।
- থাদ্রিঙৈদা মরূশিং অদু captan @3g/kg গী চাংদা তোৎপীবা।
- Bavistin 0.1% লায়না অসি হেক তারকপগা কাপথোকপীরবদি লায়না অসি লাকশিনবা ঙমগনি। Miltox (0.2%) নৎত্রগা Dithane M-45 (0.2%) লায়না তারবা মতুং নুমিৎ ১৫নি কান্নরগা কাপথোকপীরবদি লায়না অসি লাকশিনবা ঙমগনি।

**3. Powdery mildew** - লায়না অসিনা লৌবুক অমদি গ্রীন হাউস মনুংদা থাবা কুকুরবিটশিংদা তাই অমদি *Erysiphe cicoracearum* অমদি *Sphaerotheca fuliginea* হায়রিবা কোকফাই শুজা মখল অসিনা থোকহনবনি। লায়না অসি মনা অরিবদা হেন্না তাগল্লি অমদি লশিং মফোন মানবা দাগ মচা কয়া মনাগী মখা থংবা শরুক্তা তারকই অমদি মতম খরগী মতুংদা পাম্বীগী মনা পূম্বা উফুল মানবা কয়া পকশিল্লকই। লায়না অসিনা খ্বাইদগী শাথীবা মতম অসি পাম্বীনা মহৈ তল্লবা মতমদা ওই।

**লায়না অসিদগী লাকশিনবা য়াবা থৌরাংশিং :**-

- লায়না অসি তাগন্দবা ভেরাইটিশিং থাবীবা।
- *Ampelomyces Quisqualis, Bacillus subtitlis, Sporothrix flocculosa* শীজিন্নবনা লায়না অসি নীংথিনা লাকশিনবা ঙম্মী।



Powdery mildew (NC State University)

- Karathane(0.05) নৎত্রগা Hexaconzole (0.1%) অসি শীজিন্নবনা লায়না অসি লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই।
- Silicon য়াওদবা হার হাপ্পীবনা লায়না অসি তাবা হন্থহল্লি অমদি হীদাক চাইবীবা মতমদা pesticide resistance হন্থহনবা, contact অমদি systemic fungicide rotation দা চাইবীবা কান্নগনি।

**4. Downey mildew *(Pseudoperenospora cubensis)* (Berk. Curt) -**

লায়না অসি নুংশিৎনা শন্দোকপা লায়না অমনি অমদি মপূং ওইনা অশাবা নুংশিৎতা ঈশিংগী ইনিল কা হেন্না ৱাংনা য়াওবা মতমদা লায়না অসি তাবা হেল্লি। পাম্বীগী মনাগী মথক থংবা শরুক্তা লায়না অসি হেন্না তাবা থেংনৈ অমদি দাগশিং অদু চুথেক নাইবনা অয়াম্বা ওই। মনাদা তারিবা দাগশিংগী মখা থংবা শরুক্তা কোকফাই শুজাশিং অসিগী স্পোরশিং পকশিন্দুনা লৈ।

**লাকশিন্নবা পাম্বে খরা :**-

- লায়না অসিনা তাগন্দবা ভেরাইটিশিং থাবীবা অমদি নোং-চীংগী ফীভম য়েংবীরগা ঙাকথোক্লবা হীদাকশিং কাপথোকপীবা।



Downey mildew (Clement State University)

- মথক্তগী ঈশিং কাপথদুনা চাইবীদবা নুংশা নীংথিনা থোল্লবা মতমদা ঈশিং অসুম্না তৌবীরবদি মনাদা ঈশিংনা কুইনা লৈবা হন্থহল্লি অমদি লায়না অসি তাবগী নেমহল্লি।
- *Bacillus subtitlis* অসি পাওদরগী শীজিন্নদুনা হাপ্পীরবদি লায়না লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই।
- Ridomil (0.3%)/Blitox (0.2%)/ Mancozeb (0.2%) অসি লায়না তাবা হেক থেংনবা মতমদা নুমিৎ ৫-৭নি কেপ থম্বীরগা চাং নাইনা কাপথোকপীবনা লায়না অসি লাকশিনবদা চাউনা মতেং ওই।

**5. Anthracnose *(Colletotrichum orbiculare)* (Berk & Mont.)**

লায়না অসি পাম্বীগী মথক থংবা শরুক্তা ঈশিং ঈনিল কা হেন্না ৱাংবা অমদি শাগৎলকপা মতমদা হেন্না তাগনবা লায়না অমনি। লায়না অসি পাম্বীগী মনাদা নাপু মচুগী দাগ ওইনা হৌরকই অমদি মতম খরগী মতুংদা ষন্থিগী মচু ওল্লকই। মরু ওইনা লায়না অসি পাম্বীগী মনা, মশা, মহৈদা হেন্না তাগল্লি। লায়না অসিনা নারবা পাম্বীগী মহৈশিংদা কুৎশিনবা দাগ কয়া তাগনি।




Anthracnose (University of Minnesota)

**লাককশিন্নবা থৌরাং খরা :**-

- লায়না অসিনা তাবা ঙমদবা ভেরাইটিশিং থাবীবা অমদি মরূশিং হুন্দ্রিঙৈদা captan 3g/Kg গী চাংদা তোৎতুনা হুনবীবা।
- লায়না তাখিবা লৌফমশিং মহৈ লোকপা হেক লোইবগা নীংথিনা খোইদোকপীবা।
- কুকুরবিটশিং অমদি নন কুকুরবিটশিংগা ক্রোপ রোটেশন তৌবীবা অমদি লৌফমদা ঈশিং কা হেন্না তুংহনবীদবা।
- Dithane M-45 নৎত্রগা Bavistin (0.2%) শীজিন্নদুনা লায়না অসি লাকশিনবা য়াই।
- Copper য়াওবা fungicides শিং অমদি *Bacillus subtilis* strain QST713 নৎত্রগা *Streptomyces sp.* strain MBCu-56 শীজিন্নদুনা লায়না অসি লাকশিনবা য়াই।

**6. Angular Leaf spot (*Pseudomonas syringae* pv lachrymans)**

লায়না অসি পাম্বীগী মথক থংবা শরুক্তা তাগল্লি, মনাশিং অমদি মসাশিংদা দাগ কয়া তাবা থেংনগনি। পাম্বীনা মহৈ পাল্লবা মতমদা দাগ মচা নাপু মচু ওইবা কয়া তাবা থেংনগনি। লায়না অসি ঈশিং ঈনিল কা হেন্না ৱাংবা মতমদা হেন্না তাগল্লি।



Angular Leaf Spot (University of Minnesota)

**চেকশিন থৌরাং খরা :**-

- লায়না তাবা ঙমদবা ভেরাইটিশিং থাবীবা।
- মথক্তগী ঈশিং কাপথবীদবা অমদি ঈশিং কা হেন্না তুংহনবীদবা।
- Streptocycline 400ppm গী চাংদা শীজিন্নবনা লায়না অসি লাকশিনবদা চাউনা মতেং ওই।
- Copper based bactericides শিং শীজিন্নবনা লায়না অসি লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।